# কলাকার অমগী খোঙচৎতা লাইশ্রম মিরাবন্ত সিংহ



লমদম অসিগী কলচর ইনাক খুলি হায়দুনসু য়োকখৎপীনবা, শৌগৎপীনবা হোৎনরিবা মীওইশিংনা থম্মোয় শেংনা কৎখোকপগা লোয়ননা হোৎনবীবা অমদি মীপূম তীংনা শৌগৎপদি তঙাই ফদে। থোয়দোক্লা অমাঙ–অতোং থীদনা মপূন্সি চুপ্পা কৎখোক্তুনা লাক্লিবা অমদি হৌখ্রবা ওজা কয়া অমদি মমিং ফাওবা কাউনরক্লি।

কয়া অমনা শাফু কন্না হুমজিল্লক্লিবা নোংচুপ লমগী নুংশিৎনা শাফু পীবা ঙমদনবা হোৎনবগী তঙায় ফাদবা লৈরি। অশুম্না ঙসি ঙসিমক্কী অমদি লাক্কদবা মীরোলগীদমক মমল য়াম্লবা আর্টফোম কয়া অমবু কলহৌনবা হোৎনবদা ইচং থৌবা নহা ওইরিবা কলাকার কয়া অমা চোঙথোরকপগী তঙায় ফাদবা লৈরি।

অসিগুম্বা অসিদা থাজবা থমজবশিংগী মনুংদা লাইশ্রম মিরাবন্ত সিংহসু অমা ওইরি। য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদগী কলাবু পামজবা মীশক অমা ওইনা হৌরকপা কলাকার অসিনা মতম পূম্নমক্তা কলাবু লাইনিং ওইদুনা লৈখি।

থম্মোয় শেংনা পামজবা অদুমক্লা লীলা, ড্রামা, গৌড়া লীলা, অমদি ফিল্মনচিংবদা থোয়দোক্লা চিলহাও থীবা লৈত্তনা ,মাগীনি তম্লকপা কেরেক্টর অমা হেক্তদা মপুং ফানা মথৌ পাঙথোক্লবা হোৎনরকখিবা কলাকার অমনি এল মিরাবন্ত সিংহ। ইং ১৯৮১গী ফেব্রুৱারিগী তাং ২ নোংমাইজিং নুমিৎতা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা ইম্ফাল জিরি লম্বীদা লৈবা অৱাং–খুনৌদা পোকখি।

অপোকপা লাইশ্রম রাজমনিগী অপূনবা মচা ১০ গী মনুংদা মহাক্লা ইতোন তোনবনি। মমি তাইবং দা ( ফিল্ম) ঙাওজবা মীশক অমা ওইনা হৌরকপা মিরাবন্ত, মহৈ–মশিনদা য়াম্নমক মকোক থোংবা ওইরুদ্রবসু য়াইমরপ তৌনা ওজা–গুরুনা চানবা ছাত্র অমদি ওইরকই। গ্রেজ্যুয়েট ( ফিজিক্স ওন্স) ফাওবা তম্লকই। নোংমা ন্যুজ পেপরগী এডভাইটিসমেন্ট অমা থেংনবদগী ইম্ফালগী কঙলাপাৎকী ওপোজিট এম জি এভিন্যুদা লৈবা ঐচ আর এস দি সি দা থা ৬ চুপ্পা পাঙথোক্কদবা এক্টিংগী ক্লাস শরুক য়ারুবদগী মহাক্কী কলাগী খোঙচৎ হৌখি। লোয়ননা মফম অদুদগী ফঙলকপা লৌশিং গ্যাননা মখা তানা ফিল্ড অদুদা চঙশিনবদা খুদোং চাখি।

লোয়ননা মফমদুদা মীয়াম্না শকখঙনরবা প্লে রাইট অমদি

## ঐচ রাজেস

ডাইরেক্টরসু ওইরিবা ওজা নিলাধজা শকখঙনবগী খুদোং চাবা ফঙদুনা লীলাদা খোঙদাবা হৌরকখি। কলাকার অসিনা ইহান হানবা ওইনা ঐচ আর এস দি সিদা পাঙথোকখিবা থা ৬গী কোর্স অদুগা মরীলৈনা পুথোকখিবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম “ দি জুন” হায়রিবা ফিল্ম অসিদা জিবন কৌবা কেরেক্টর রোল অমদা সপোর্টিং এক্টর অমা ওইনা শক্তম লাঙখি।

অসিগুম্লবা মীয়ামগী থাগৎ ৱাহৈশিং অদুনা থৌনা ওইদুনা অমুক তুং হন্না য়েঙলুবা তৌদনা অশেংবা কলাকার অমা ওইনবগী অচুম্বা লম্বী থীবনা মথৌদাং ওইখি। অপোকপা এল রাজমনি অরিয়ান থিয়েটরগী মশক নায়বা আর্ষ্টিস অমনি। লোয়ননা মপা পোকপা মপুবোক লাইশ্রম বাপু শক খঙনরম্বা শক্লাইরবা কোমিদিয়ান অমনি।

লমদম অসিগী কলাবু য়োকখৎপা পামজবশিংগী ইমুং দগী হৌরকপা এল মিরাবন্তনা পাক চাউরবা কলাগী ইপাক্তা য়েৎপীনবা লৈত্তনা মনিং তম্না খোঙদাবা ফঙখি। হৌজিক হৌজিক দুরদর্শন কেন্দ্র ইম্ফালগী রিজনেল ন্যুজ য়ুনিটতা রিপোটর ওইনা পার্ট টাইম ওইনা থবক তৌখি। কলাকার অসিনা লৌরিবা মখল মখাগী কলাগী লম কয়াদা শিংথানিঙাই ওইরবা থৌদাংশিংগী মনুংদা মতম অমা মীয়াম্না পাম্নরম্বা ‘ গৌড়া লীলা’সু অমা ওইরি।

গৌড়া লীলাগী মীয়াম্না শকখংনরবা শিংজমৈগী ওজা অমুতোম্বী, ৱাঙ্খেগী ওজা সোমোরেন্দ্রো, খুরাইগী ওজা সনাহনবী, কিয়ামগৈগী ওজা ইবোহলনচিংবগী মখাদা আর্টফোম অসিবু য়োকখৎনবা মণিপুরগী মফম কয়াদা উৎপদতা নৎতনা কছার, নবদ্বিপ, ওড়িষা অমদি বাংলাদেশনচিংবা মফমশিং দা ওজাশিংগী মীৎয়েং মখাদা থৌদাং য়ারি। লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ই এম আর সি নচিংবনা পাঙথোকপা ৱার্কসোপতা শরুক য়াখ্রে।

এল মিরাবন্ত সিংহনা হৌজিক ফাওবদা ফঙখ্রবা এৱার্দশিংগী মনুংদা ফ্লাই ফোট ফোরম সোলান, হিমাচল প্রদেশনা শীন্দুনা পাঙথোকপা ২৬ শুবা ওল



ইন্দিয়া দান্স এন্দ ড্রামা ফেষ্টিভেল ২০১২দা বেষ্ট এক্টর, ইন্দিয়া থিয়েটর ওলিম্পেইদ কট্টক ওড়িষানা শীনবা ইন্টরনেস্নেল থিয়েটর ফেষ্টিভেল ২০১৩ দা অনীশুবা বেষ্ট এক্টর।

UTKAL YUVA Sanskretik Sangh Association and National Acadamy of theater arts (NATA) India-2003 Talent Award.


Dr. Chaturbhuz Magadha Kalakar and Kala Jagarm, Patua, Bihar না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা অখিল ভার্তিয়া Itihasie 2014 patua Bihar দা শরুক য়াখিবদা সেকেন্দ বেষ্ট এক্টর ফঙখি। এল মিরাবন্ত সিংহনা ডাইরেক্সন পীবা মশামক্কী বেন্নর এল আর এম সোসিয়েল এন্দ কলচর ট্রষ্টকী মখাদা নম্বা সোর্ট ফিল্ম ‘২ মমানা লৈবীবা লাইরিকখাও” না মণিপুর এদস কন্ট্রোল সোসাইটি (এম এ সি এস)না শীন্দুনা পাঙথোকপা সোর্ট ফিল্ম ফেষ্টিভেলদা ৩ শুবা মনা ফঙখ্রে।

কলাকার লাইশ্রম মিরাবন্ত সিংহনা ৱাঙ্খে, ৱাঙ্খেময়ূম লৈরক্তা লৈবা দব্লিউ মাহির অমদি দব্লিউ ওঙবী ইরাবটিগী মচানিঙোল সুজাতা লৈমগা য়ূম্বান লম্বীদা খোঙদামিন্নদুনা মচানুপা অমা লৈরবা নহা ওইরিবা কলাকার অসিগী কলাগী খোঙচৎনা হেন্না য়াংনা মাঙলোমদা চঙশিনবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না থমজরি

# মহৈরোইশিংগী খুদোল




*TITLE,: LANDSCAPE*
Ch. Bishal Singh
Class:VI
Roll No: 15
School:The Combined English School





*TITLE : VOLCANO*
Aboni Devi
Class: IV,
Sec :Garnet
Roll No- 8
School: HERITAGE CONVENT







*TITLE,: HULK*
**AK. Rohenjit Meitei**
Class: III
Sec : Sangai,
Roll No- 47
School:Nirmala House






*TITLE : MAN*
**Chingkhei Asem**
Class: VI,
Sec : D
Roll No: 15
School: Pitambara English School



*TITLE : BABY*
**Valencia Asem**
Class: IV
Roll No: 6
School: THE BLOSSOM SCHOOL







*TITLE : MAN*
**Luwanganba Mayengbam**
Class: II , Sec : A
Roll No:19
School: IMPHAL PUBLIC SCHOOL



*TITLE : SCENERY*
**Ishwarchandra Naorem**
Class: KG
Roll No: 9
School: KIDS FOUNDATION







*TITLE,: DOLL*
Jessica Takhellambam
Class:IV
Roll No- 1
School:PROGRS-SIVE ENGLISH SCHOOL,LAMDING






*TITLE,: LITTLE DUCK*
**Ksh. Chinglembi**
Class: UKG
Roll No- 19
School:Hello Kids School



*TITLE : MONKEY*
**Princenanda Laishram**
Class: K.G
Sec : B,
Roll No : 26
School :PREMIER ENGLISH ACADAMY





*TITLE : SCENERY*
**O. Rahul Singh**
Class: IV,
Sec : A
Roll No- 22
School: ST. JOSEP HS.SEC SCHOOL





*TITLE : DOLL*
Laishram Lanchenbi
Class: III,
Sec : B
Roll No- 143
School: TRINITY PUBLIC SCHOOL



Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*